# রিকো ওপন: ইভো কার্লোভিক্কা গিলেস মুল্লরগা ফাইনেলদা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি



হার্টোজেনবোচ, জুন ১৮ :

ইবো কার্লোভিক্কা মফম অসিদা চথরিবা রিগো ওপনগী থাংজ নুমিত্তা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেচতা ফেল্লো ক্রোসিয়ন মারিন সিলিকপু মায়থীবা পীদুনা চহী অসিগী মহাক্কী অহানবা এ টি পি টুর ফাইনেল চঙখ্রে।

ইভো কার্লোভিক্কা গ্রাস কোর্ট ইভেন্ট অসিগী ফাইনেলদা গিলেস মুল্লরগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। মশাগী চহী ৩৮ শুরবা কার্লোভিক্কা হান্নগী য়ু এস ওপন চেম্পিয়ন সিলিকপু ৭-৬ (৭-৪), ৫-৭, ৭-৬ (৭-২) তা পুং ২ হেন্না শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেচতা মশাগী চহী ৩৪ শুরবা লক্সমবাগকী গিলেস মুল্লরনা জর্মনগী অনীশুবা সিদ আলেকজেন্দর জভেরেবপু ৭-৬ (৭-৫), ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা ইভো কার্লোভিক অমদি গিলেস মুল্লর অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। কুমজা ১৯৭৬ তা হোং কোংদা চথখিবা এ টি পি টুরদা মশাগী চহী ৪২ শুরবা কেন রোজৱাল অমদি মশাগী চহী ৩০ শুরবা ইলে নাষ্টাসে অনীনা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী মতুং তারকপদা কার্লোভিক অমদি মুল্লর অনীনা রিকো ওপন্দা শান্নগদৌরিবা অসিনা খ্বাইদগী অহল ওইরবা প্লেয়র অনীনা শান্নগদবা ফাইনেল মেচসু ওইরগনি।

কার্লোভিক অমদি সিলিক অনীগী গেম অদুদা প্লেয়র অনীমক্কা শাফু কনবা সার্ভশিং য়ৈনখিদুনা পোইন্টশিং লৌননবা চঙশিনখি। হৌখিবা চহী অহুম অসিদা থংন-থংননা ৱিমব্লেদনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবা টোপ সিদ সিলিক্কা অনীশুবা সেটতা মশক থোক্লা শান্নখিদুনা ৫-৭ তা মায় পাকখি।

অহানবা অমদি অহুমশুবা সেটনা কার্লোভিক্কা দিসাইদরদা মায় পাকখিদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

লেফট হেন্দেট মুল্লরনা জর্মনিগী মচিন তুমখৎলক্লিবা ষ্টার জভেরেবকী মায়োক্তা অকনবা মওংদা প্রেসর পীদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা অহানবা সেট অদু টাইব্রেক্তা মায় পাকখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ১০ শুবদা লৈরিবা জভেরেবনা অনীশুবা সেটতা মুল্লরগী মখূৎতা ২-৬ তা মায়থীহৌখি।

নুপীগী সেক্সন্দা ষ্টোনিয়াগী এনেট্ট কোন্টাভৈটনা লেসিয়া টসুরেঙ্কোবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অনীশুবা দব্লিয়ু টি এ টুর ফাইনেল চঙখি।

মহাক্কা ফাইনেল মেচতা রসিয়াগী নাতালিয়া বিখালিয়ান্টসেভাগা মায়োক্ন দুনা লম্বা তৌনরগনি। মশাগী চহী ২১ শুরবী অমদি ক্যেয়রগী ওইনা রেঙ্ক ৪৯ শুবদা লৈরিবী কোন্টভৈটনা য়ুক্রেনিয়নগী ওপোনেন্টবু ৬-৩, ৬-৭ (০-৭), ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেচ অমদা রসিয়াগী মশাগী চহী ২০ শুরবী বিখালয়ান্টসেভা মরিশুবা সিদ অনা কোঞ্জুহবু ৬-৩, ৭-৫দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা টোপ লেভেলগী ফাইনেল চঙখি।

পনবা য়াই, মারিন সিলিক অমসুং ফেল্লো ক্রোসিয়ন ইভো কার্লোভিক্কা নেদর্সলেন্দসতা চথরিবা দটচ গ্রাসকোর্ট ইভেন্ট রিকো ওপনগী ইরাই নুমিত্তা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা খুমাং চাউশিনখিবনি।

অমরোমদা জর্ম্মনিগী এলেকজেন্দর জভেরেব অমদি লক্ষমবার্গকী গিলেস মুল্লরসু লাষ্ট ফোরদা খুমাঙ চাউশিনখি।

নুপীগী ইভেন্টতা অনীশুবা সিদ ক্রিষ্টিনা মালাদেনোভিক্কা য়ুক্রেনগী লেসিয়া তসুরেঙ্কোগী মখুত্তা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৩-৬, ১-৬ তা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি। অদুগা টোপসিট দোমিনিকা সিবুলকোভানা অহানবা রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

নুপাগী সিঙ্গল’স মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৭ তা লৈরিবা মারিন সিলিক্কা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা ভাসেক পোস্পিসিলবু ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী ৫০ শুবা গ্রাসকোর্টকী মেচ মায় পাকপসু ওইখি।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা কার্লোভিক্কা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ক্বালিফাইয়র দানিল মেদভেদেভপু পুং অমারোম চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা চহী অসিগী মহাক্কী অহানবা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙম্বসু ওইখি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মশাগী চহী ২০ শুরবা জর্ম্মনগী আলেকজেন্দর জভেরেবনা মশাগী চহী ৩৫ শুরবা ফ্রেঞ্চমেন জুলিয়ন বেনেটিয়ু ৬-০, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট ফোরদা খুমাঙ চাউশিনখি।

অদুগা লক্ষমবার্গকী গিলেস মুলরনা ব্রিটেনগী অলজাজ বেদেনেবু ৬-৩, ৩-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

কুমজা ২০১৬ কী রন্নর-অপ তাখিবা মালাদেনোভিক্কা তাসুরেঙ্কোগী মায়োক্তা অনফোর্স ইরর ২৪ তৌখি। অদুগা মাগী ওপোনেন্টনা ৯ খক্তমক তৌখি। তাসুরেঙ্কোনা মালাদেনোভিকপু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখিবনি।

# জোহনা কোন্টনা দোন্না ভেকিক্কা নোট্টিংহামগী ফাইনেলদা শান্নগনি

নোট্টিংহাম, জুন ১৮ :

টোপসিদ জোহনা কোন্টনা মফম অসিদা চথরিবা নোট্টিংহাম গ্রাসকোর্ট টুর্নামেন্টকী থাংজ নুমিত্তা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেচতা স্লোবাকিয়াগী মাগদালেনা রেবারিকোভাবু ৬-২, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা বৃটিশকী নম্বর ৱান অসিনা ক্রোসিয়াগী দোন্না ভেকিক্কা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেচ অমদা দোন্না ভেকিক্কা চেক রিপব্লিক্কী লুচি সাফারোবাবু ৭-৬ (৫), ৩-৬, ৭-৬ (৪) দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াদা পোকখিবী কোন্টনা চহী মঙাগী মমাঙদা বৃটিশকী সিটিজন ওইখ্রবা মতুং হোম



সোইলদা দব্লিয়ু টি এ ইভেন্টকী টাইটল লৌবা অহানবা বৃটিশ নুপী ওইননবা পান্দম থল্লিবনি। বৃটেনগী ভির্জিনা ৱেদনা কুমজা ১৯৭৫ দা ইষ্টবোর্নদা টাইটল লৌখিবা অদুগী মতুংদা কোন্টানা অহানবা ওইননবা মীৎয়েং থল্লি। অদুবু ভির্জিনানা লৌখিবা টাইটল অদু দব্লিয়ু টি এ টুরগী শরুক অমদি ওইখিদে।

মমাঙগী থাদা লাউথোকখিবা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা তোপ সিক্সতা লৈখিবি কোন্টনা টুর্নামেন্ট অদুদা সেট অমত্তা দ্রোপ তৌদুনা চঙশিল্লকখি।

মহাক্লা স্লোভাকিয়ানবু অহানবা সেটতা য়াম্না লাইনা ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। মহাক্লা সেট অদু অয়াম্বা মতমদা কন্ট্রোল তৌদুনা পুখি।

অনীশুবা সেটতা কোন্টা অমদি স্লোভাকিয়ান অনীনা হেঞ্জিন্নবা য়াদনা শান্নরকখিদুনা ৫-৫ দা চাং মান্ননা লৈখি। অদুবু কোন্টানা মখা তারকপা গেমদা পোইন্টশিং লৌখিদুনা স্লোভাকিয়ানবু মায়থীবা পীরল্লগা অহানবা লোট্টিংহামগী ফাইনেল চঙখি।

মেচ অদু পুং অমগা মিনিট ৪৫ চঙনা শান্নখিদুনা কোন্টানা মায় পাকখি।

# টৌকিয়ো ওলেম্পিক্সতা মেদল লৌনবা মীৎয়েং থল্লি: সর্দার সিংহ



ন্যু দেল্লি, জুন ১৮ :

লাক্লিবা কুমজা ২০২০ গী টৌকিয়ো ওলেম্পিক্সতা মশক থোক্লা শান্নদুনা মেদল লৌনবা মীৎয়েং থল্লি হায়না লৈবাক অসিগী শক্লাইরবা হোকি প্লেয়র সর্দার সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ন হোকি টিমদা খ্বাইদগী চহী য়াম্বা অমদি এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় ওইরিবা মশাগী চহী ৩০ শুরবা সর্দার সিংহনা হায়খি, হৌজিক ইশাগী চহী ৩০ শুরবা ফাওবা অসিদা ঐনা হোকি মশান্নদা নৌনা চঙলকখিবা মতম অদুদা শান্নখিবা অদুদগী তাথদনা হৌজিকসু শান্নরি। ঐনা মখা তানা লৈবাক অসিগীদমক শান্নখিগনি হায়নবা ৱাফম থল্লদুনা লাক্লিবা টৌকিয়ো ওলেম্পিক্সতা মেদল লৌনবা অচেৎপা ফীরেপ লৌরি। টৈকিয়ো ওলেম্পিক্সকী মমাঙদা ঐনা হোকি মশান্নদগী পোত্থানবগী ফীরেপ লৌবা তৌখিরোই হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, ঐহাক্লা মমাঙদা টুর্নামেন্ট কয়া শান্নখ্রে। ঐগী লাকদৌরিবা শান্নবগী খোঙচৎসু শিংথানিঙাই ওইবা তাঙ্ককশিংশু লাকখিগনি। লাক্কদৌরিবা টৌকিয়ো ওলেম্পিক্সতা ঐগী অরোইবা ফীরেপ অদু থল্লি।

হোকি ৱর্ল্ড লীগ সেমি ফাইনেলদা পকিষ্টানগা শান্নগদৌরিবা মেচকী মতাংদা সর্দার সিংহনা হায়খি, ইন্দিয়া অমদি পকিষ্টানগা মায়োক্নদুনা শান্নবা মেচশিং মমাঙৈদগী তোপ তোপ্পা মেচ ওইদুনা লাক্লি। লৈবাক অনী অসিগা লম্বা তৌদুনা শান্নবদা টিম মেম্বরশিংদসু চাউথোকচবা পোক্লি। মালেমগী মীয়াসু লৈবাক অনীগী মেচতসু য়েংগদবগী খৌরাংনা ঙাইন্দুনা লাক্লি। অদুমকপু মেচ অসি ঐখোয়না মায় পাকপা পামই। মেচ অসিগীদমক ঐখোয়না অখন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লৈরি। অমদি ঐখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা অদু ময়েক শেংনা উথোকপসু পাম্মী হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

সর্দারনা হায়, লাক্লিবা কুমজা ২০১৮ অমদি কুমজা ২০২০ অসি ইন্দিয়াগীদমক্তদি য়াম্না মরুওইবা চহী অমা শোইদনা ওইগনি। কুমজা ২০১৮ অসিদা হোকি মশান্নগী ৱর্ল্ড কপ, এসিয়ন গেমস, কমলৱেল্ড গেমস অমদি চেম্পিয়ন্স ট্রোফিনচিংবা লৈরি। মসিমক্লা চহী অসি খ্বাইদগী মরু ওইবা ওইরি। অদুগা কুমজা ২০২০ না ওলেম্পিক্স লৈবনা অমুক্কা হেন্নসু মরু ওইরি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# ‘য়ু টি টি লীগনা ইন্দিয়াগী টেবল টেনিসতা হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি’

মুম্বাই, জুন ১৮ :

টেবল টেনিস মশান্নগী রেঙ্কিংদা মালেমগী তরেৎশুবা মফমদা লৈরিবা হোং-কোংগী ৱোং চুন চিংনা মথং থা জুলাই ১৩ দগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা অলটিমেট টেবল টেনিস (য়ু টি টি) লীগনা ইন্দিয়াগী টেবল টেনিসতা হেন্না কান্নাবা ফংহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ু টি টি লীগতা মহারাষ্ট্রা য়ুনাইটেদকী মহুৎশিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা ৱোং চুন টিংনা লীগ অসিগী মতাংদা হায়খি, প্রোফেসনেল লীগ অসিনা টি টি শান্নরোয়শিংগী মীৎয়েংফম ওইরগনি। লীগ অসিনা মালেমগী থাক্তা ইন্দিয়াগী প্লেয়র কয়া থোরকপদসু মতেং ওইরগনি। মপুং ওইনা য়েংলবদা টি টি মশান্নবু পামজবা অমদি শান্নরিবা প্লেয়রশিংদা অহেনবা কান্নবা পীবসু



ঙল্লগনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, লীগ অসিগী মতুং তারকপদা প্লেয়রশিংনা এদভান্স ওইরবা ট্রেনিংগী খুদোংচাবসু শোয়দনা ফংবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা ঐখোয়দা লৈ। লোয়ননা লীগ অসিনা অচৌবা য়ুম্ফম অমা থোন্দুনা ইন্দিয়াদা মশান্না অসি হেন্না খুম্মাঙ চাউশিনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা জর্মনিগী দুসেলফোর্দতা পাঙথোকখিবা টেবল টেনিসকী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা ৱোংনা ইন্দিয়াদা হন্দক লাক্কদৌরিবা অসিনা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎসু ওইরগনি।

মহাক্লা ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা লাক্তুনা য়ু টি টি দা শরুক য়াগদৌরিবা অসিগী মতাংদা ৱোং চুন টিংনা হায়, ইন্দিয়াগী খোঙচৎ অসিগীদমক ঐঙোন্দা হায়ফম খঙদনা নুঙাইবা পোকই। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদগী লাক্কদৌরিবা মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াগদৌরিবা য়ু টি টি লীগ অসি অকনবা লন্বানফম অমা ওইরগনি হায়বগী থাজবা ঐঙোন্দা লৈ হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

লাক্লিবা জুলাই ১৩ দগী চেন্নাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা লীগ অসিদা মহারাষ্ট্রা য়ুনাইটেদকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা ৱোংনা খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংবা প্লেয়রসু ওইরগনি।

# ইন্দোনেসিয়া সুপর সেরিজ: শ্রীকান্থনা কাজুমাসাবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে, ৱর্ল্ড নম্বর টুদা কাখৎখ্রে

## প্রাইম মিনিষ্টরনা ইন্দোনেসিয়া টাইটল লৌখ্রবা শ্রীকান্থবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

জকরটা, জুন ১৮ :

ইন্দিয়াগী শট্লর কিদম্বি শ্রীকান্থনা মফম অসিদা চথরিবা ইন্দোনেসিয়া সুপর সেরিজগী নোংমাইজিং নুমিত্তা শান্নখিবা মেন’স সিঙ্গলদস ফাইনেলদা জপানগী ক্বালিফাইয়র কুজুমাসা সাকাইবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহুমশুবা সুপরসেরিজগী টাইটল লৌবা ঙম্বসু ওইখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ২২ দা লৈরিবা অমদি চহী অসিগী এপ্রিল থা পাঙথোকখিবা সিঙ্গাপুর ওপনগী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবা শ্রীকান্থনা ৱর্ল্ডগী ৪৭ শুবা রেঙ্কদা লৈরিবা জপানগী সাকাইবু মিনিট ৩৭ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ২১-১১, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীখি।



কুমজা ২০১৪ গী চিনা সুপর সেরিজ প্রেমিয়র অমসুং কুমজা ২০১৫ গী ইন্দিয়া সুপর সেরিজগী টাইটল লৌখিবা শ্রীকান্থনা হায়খি, মহাক্লা গেম অদু নীংথিনা শান্নখি। মরুওইনা অনীশুবা গেমদা মহাক্কী লৈজবি মতিক মথৌনা পুথোক্তুনা শান্নখি। ঐনা ৬-১১ দা নেম্না লৈখ্রবা মতুং নীংথিনা খূৎ হনখিদুনা ১৩-১৩ দা চাং মান্ননা লৈখি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, ঐনা ঐগী কোচপু থম্মোয়দা শেৎনা থমজরগা মেচ অদু শান্নখিদুনা মায় পাকপা ঙমখি। ঐনা সিঙ্গাপুর ওপনগী ফাইনেল চঙখি অমদি টাইটল লৌবদি ঙমখিদে।

ইন্দোনেসিয়া ওপন অসি ঐনা মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইনা লৌই অমদি মায় পাকপসু ঙমখি। ঐনা ঐগী ফেন পুম্নমকপু টুর্নামেন্ট হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা য়েংদুনা থৌগৎপিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়না মহাক্লা ফোঙদোক্লি।

অহানবা গেমদা মায়োক্নখিবা জপানিষ্টনা অনফোর্স ইররশিং তৌখিবদগী ইন্দিয়ননা ৬-৪ দা মাঙজিল থানা চৎখি। মানা মখা তানা শান্নখিদুনা ব্রিক ফাওবদা ১১-৮ অমুকসু হন্না মাংজিল থাখি। শ্রীকান্থনা মখা তানা মেচ অদু দোমিনেট তৌনা চৎখিদুনা অহানবা গেম অদু ২১-১১ দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গেমদসু শ্রীকান্থনা গেম অদু শুপ্পাই পাইখিদুনা ২১-১৯ দা মায় পাকখি।

হৌজিক শ্রীকান্থ অমদি কাজুমাসা অনীনা মায়োক্নদুনা শান্নখিবদা ১৯-১৯ দা মায় পাক্নদুনা লৈরি।

শ্রীকান্থনা ইন্দোনেসিয়া ওপনগী টাইটল লৌখিবদগী বেদমিন্টনগী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা হান্না লৈরম্বা মফমদগী হাইগৎলগা ২শুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কিদম্বি শ্রীকান্থনা ইন্দোনেসিয়া ওপনগী মেন’স সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখিবদা অপেনবা ফোঙদোকখ্রে। চহী অসিগী এপ্রিল থাদা সিঙ্গাপুর ওপনগী ফাইনেল ফাওবা চঙখিবা ৱর্ল্ডগী ২২ শুবা মফমদা লৈরিবা শ্রীকান্থনা জপানিজ ক্বালিফাইয়র কাজুমাসা সাকাইবু ২১-১১, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক্কী ট্যুটরদা থাগৎলকখিবা ৱারোলদা হায়, কিদম্বি শ্রীকান্থবু থাগৎপা ফোঙলি। ঐখোয়না মহাক্কী ইন্দোনেসিয়া ওপন সুপর সেরিজ টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখিবদা অপেনবা পোকই হায়না ফোঙদোকখি।

বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (বাই) গী প্রসিদেন্ট হিমন্তা বিশ্বাস শর্ম্মনসু শ্রীকান্থনা ইন্দোনেসিয়া ওপন সুপর সেরিজ টাইটল লৌখিবদা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্কী মায় পাকপা অসিগীদমক শেনফমসু পীগনি হায়না লাউথোকখি।

মহাক্কী ৱারোলদা হায়, কিদম্বিগী মায় পাকপদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। নঙনা ঐখোয় পুম্নমকপু চাউথোকচহল্লে। নহাক্কী মায় পাকপা অসিবু শকখঙবা ওইনা লূপা লাক্ষ মঙাগী শেনফম পীরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, ওপন অসিগী থাংজা নুমিত্তা শান্নখিবা মেন’স সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেচতা কিদম্বি শ্রীকান্থনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সোন ৱান কোবু ২১-১৫, ১৪-২১, ২৪-২২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাং চাউশিনখিবনি।

অমরোমদা ঐচ এস প্রনোয়না মফম অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেচ অমদা জপানগী কাজুমাসা সাকাইগী মখুত্তা ২১-১৭, ২৬-২৮, ১৮-২১ দা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি।

কিদম্বি শ্রীকান্থনা সোন ৱান হোগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবদা ৩-৪ দা মায় পাক্তুনা নেম্না লৈরি। শ্রীকান্থনা মহাক্কী লম্বাবু মায়থীবা পীখিবদা পুং অমগা মিনিট তরানিথোই চঙখি। ফানেল মেচতা কিদম্বি শ্রীকান্থনা জপানগী কাজুমাসা সাকাইগা লম্বা তৌদুনা শান্নবনা খোঙফম শেমখিবনি।

মসিগী মায় পাকখিবা অসিদা শ্রীকান্থনা সুপর সেরিজ ফাইনেল চঙবা থংন-থংননা অনীরকশুবসু ওইরে। অদুগা ওভরওলদনা মরীশুবসু ওইরি। ২২ শুবা রেঙ্কদা লৈরিবা ইন্দিয়ন অসিনা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা সিঙ্গাপুর ওপনগী ফাইনেলদা চঙখি। মদুদা মহাক্লা বি সাই প্রনিথকী মখুত্তা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

# ২০১৭ ফিফা কনফেদরেসন্স কপ: রসিয়ানা ন্যুজিলেন্দবু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্লা কেম্পেন হৌখ্রে

সেন্ট পিটরসবার্গ, জুন ১৮ :

রসিয়ানা মফম অসিদা চথরিবা কনফেদরেসন কপকী ওপনিং মেচতা ন্যুজিলেন্দবু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্লা কেম্পেন হৌখ্রে।



মমাঙদা পাঙথোকখিবা কনফেদরেসন কপ মাপনগী মনুংদা অহুমদি য়ুম্বু ওইরিবা লৈবাক্লা মায় পাকখি অমদি রসিয়ানা সেন্ট পিটরসবার্গতা অহানবা ওইনা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মায়োক্নখিবা লম্বাবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

মেচ অদুগী টিম অনীমক্লা অকনবা লম্বা তৌন্দুনা তখৎন্নরকখি। মেচকী অঙনবা শরুক্তা টিম অনীমক্লা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং লৈখ্রবসু গোল চনবদি ঙমখিদে। রসিয়ানা মায়োক্নখিবা ন্যুজিলেন্দগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা এটেক অমদা রসিয়াগী দেনিস গ্লুসাকোভনা কাউশিনখিবা গোল অমা পোষ্টতা পানখ্রবা মতুং ন্যুজিলেন্দগী মাইকেল বোকসালনা মশাগী গোল পোষ্ট মনুংদা ওন গোল অমা চনশিনখিদুনা রসিয়ানা ১-০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা রসিয়ানা ন্যুজিলেন্দগী মায়োক্তা তৌখিবা এটেক অমদা ফয়োদোর সমোলোভনা মহাক্কী মরিশুবা ইন্টর্নেসনল মেচতা অহুমশুবা গোল চনশিনখিদুনা টিমবু মায় পাকহনখি। ফয়োদোর সমোলোভনা ইভেন্ট অদুদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিবগীদমক লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা থাগৎখি।

হৌজিক ফাওবদা পাঙথোকখিবা ১০ শুবা কনফিদরেসন কপতা মেচ অমতা ন্যুজিলেন্দনা মায় পাকপা ঙমদনা লৈরিবনি।

গ্রুপ এগী অতোপ্পা মেচ অমদা পোর্টুগাল অমদি মেক্সিকো অনীনা লম্বা তৌদুনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা শান্নগনি।

রসিয়ানা অকনবা মওংদা ন্যুজিলেন্দগী মায়কৈদা এটেক তৌদুনা শান্নখি। মখোয়গী প্লেয়র আলেকজেন্দর গোলোবিন্না ন্যুজিলেন্দগী মায়োক্তা গোল এটেম্পশিং তৌখ্রবসু গোল কিপর ষ্টেফন মারিনোভিক্কা সেভশিং তৌখিদুনা চলহনখিদে।

য়ুম্বু রসিয়ানা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা অনী ফংখ্রবসু গোল চনবা ঙমদনা অরেম্বদা তাখি। রসিয়াগী আলেকজেন্দর সামেদোভনা ন্যুজিলেন্দগী মায়কৈদা প্রেসরশিং পীদুনা চঙশিনখ্রবসু গোল চনবা ঙমদনা লৈখি।

ন্যুজিলেন্দসু মায়োক্লখিবা মায়কৈদা কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা গোল চন্নবা হাৎনরকখি। অদুবু রসিয়াগী ৱালগুম্না লৈখ্রবা দিফেন্সতা লানশিনবা ঙমদনা লৈখি।

মেচকী মিনিট ৩১ চৎপা মতমদা সোমোলোভনা কাউশিনখিবা গোল অমা নেট মনুংদা চঙখ্রবসুং ওফসাইদ তাখিবদগী গোল লৌখিদে।

সেকেন্দ হাল্ফকী অঙনবা শরুক্তা ভাসিন্দা হেন্দ বোল তাখিবদগী ন্যুজিলেন্দনা পেনালটি পীননবা হায়খ্রবসুং রেফ্রিনা পিখিদে। ন্যুজিলেন্দসু গোল চন্ননবা অঙম্বা শক্তি পুথোক্তুনা হোৎনরকখ্রবসু কান্নবদি ফংখিদে। ন্যুজিলেন্দগী রায়ান থোমাসনা শক্তি লৈরবা সুট অমা রসিয়াগী পোষ্ট তম্না কাউশিনখ্রবসু গোল চনবা ঙমখিদে।

মেচ অদুদা ন্যুজিলেন্দনা মখা তানা গোল চন্ননবা হোৎনখ্রবসুং কান্নবা ফংদনা রসিয়াগী মখুৎতা মায়থীখি। লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পোর্টুগালগী মায়োক্তা রসিয়ানা শান্নগনি।




HL-B/3932/10/06-12/07/(2017)